# মালেমদা খ্বাইদগী ইথিল পীবা ঙম্বা মীওইশিংগী মনুংদা পুটিন, মোদি য়াওরে



ন্যু য়োর্ক, মার্চ ২৯ (এজেন্সি): টাইম মেগজিননা মালেমদা খ্বাইদগী ইথিল পীবা ঙম্বা মীওই ১০০ খনগৎনবা থৌরাং লৌখৎপদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, ইন্দিয়ন ওইনা পোকখিবা মাইক্রোসোফকী সী ঈ ও সত্যা নদেলা, য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প, রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিন অমসুং চাইনিজ প্রসিদেন্ট জি জিনপিং য়াওরে।

টাইম মেগজিননা চহী খূদিংগী মালেমদা খ্বাইদগী ইথিল পীবা ঙম্বা মীওই ১০০ খনগৎতুনা লাকখিবনি। হন্দক চহীগী লিষ্ট মথং থাদা লাউথোক্লবা য়াই হায়না থাজনরি। টাইম মেগজিনগী এদিটরশিংনা অরোইবা ৱারেপ লৌরবা মতুংদা খ্বাইদগী ইথিল পীবা ঙম্বা মীওই ১০০ গী লিষ্ট শেম্বা তারবসু চেফোঙ অসিনা ওনলাইনদা মীয়ামগী মোত লৌরবা মতুংদা লিষ্ট শেম্বনি।

হন্দক চহীগী ওইনা লিষ্টতা য়াওরিবা মীওইশিংগী মনুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি য়াওরে। লিষ্টতা য়াওরিবা অতৈ মীওইশিংদি নোর্থ কোরিয়ন লূচিংবা কিম জোং উন, পাকিষ্টানি-অমেরিকান এক্টর কুমেল নঞ্জিয়ানি, ট্রম্পকী মচানুপী ইভানকা ট্রম্প, মমাকনুপা জারেদ কুস্নর, ফেসবূক্কী সী ঈ ও মার্ক জকরবর্গ, এমাজোনগী চীফ জেফ বেজোস, বৃটেনগী প্রিন্স ৱিল্লিয়ম, মহাক্কী লোয়নবী কেমব্রিজগী দচেস কেথরিন, প্রিন্স হেনরি, মহাক্কা নুংশিনবী মেগান মার্কল অমসুং য়ু এসকী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা বরাক ওবামানচিংবা য়াওরি।

মারজরি ষ্টোনমেন দোগ্লাস হায় স্কুলগী থৌদোক মতুং তারকপদা স্কুল পূম্নমক্তা খুদোংথীবা থোকহন্দবগা লোয়ননা নোংমৈ পায়বগী মতাংদা অনৌবা কাংলোন অমা শেম্নবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখিবা মহৈরোয়শিংগী লূপ দ্রিমর্সসু হন্দক চহীগী লিষ্টতা য়াওরবা য়াই হায়না থাজনরি। অতৈ মীওইশিংদি টর্কিশ প্রসিদেন্ট রিসেপ টায়িপ অর্দোগন, পোপ ফ্রান্সিস, এটোর্নি জেনরেল জেফ সেসন্স, ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্ট ইম্মান্যুএল মেক্রোন, মী তু মুভমেন্টকী ফাউন্দর টারানা বর্ক, এক্টর দ্বেন জোন্সন, সাউদি অরাবিয়াগী ক্রাউন প্রিন্স মহমদ বিন সলমান, টেসলা এন্দ স্পেস এক্সকী সী ঈ ও এলন মস্ক, স্পেসল কাউন্সেল রোবর্ট মুলর, এপ্পলগী সী ঈ ও টিম কুপ, এফ বি আইগী ডিরেক্টর ওইরম্বা জেমস কোমি অমসুং সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুন জাই-ইননি।

মমাঙ চহীগী ওইনসু এপ্রিল ২১ দা টাইম মেগজিননা মালেমদা খ্বাইদগী ইথিল পীবা ঙম্বা মীওই ১০০ খনগৎপদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং পে টি এমগী ফাউন্দর বিজয় সেখর শর্মা য়াওখি। মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদগী মীওই ১০০ খনগৎপগী মনুংদা ইন্দিয়ন অনী য়াওরকখিবনি।

পাইওনিয়র, আর্টিষ্ট, টাইটান, লীদর অমসুং আইকোন হায়না কাঙলূপ মঙা থোক্লা খনগৎখিবা মীওই ১০০ গী মনুংদা ইংলিস শৈশকপা অমসুং ঈশৈ ইবা এদ সিরান, য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প, এক্টর রিজ অহমদ, স্নেপচেটকী কো-ফাউন্দর ইভান সিগল অমসুং রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিন য়াওখি। ইন্দিয়াগী ওইনা লিষ্ট অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং বিজয় সেখর শর্মা য়াওখি।

# নোর্থ কোরিয়াগী কিম জোংনা ন্যুক্লিয়র খূৎলায় থাদোকপগী ৱাফম য়ারে

বৈজিং, মার্চ ২৯ (এজেন্সি): নোর্থ কোরিয়াগী লূচিংবা কিম জোং উননা ন্যুক্লিয়র খূৎলায় থাদোকপগী ৱাফম য়ারে হায়না চাইনিজ লূচিংবশিংনা ফোঙদোকখ্রে। নোংমাইজিং নুমিৎতগী য়ুমশকৈশা নুমিৎ ফাওবা কিম জোংনা বৈজিংদা চৎতুনা চাইনিজ প্রসিদেন্ট জি জিনপিংগা ৱারী শানখি হায়বা ৱাফম লৈবাক অনীমক্কা ওফিসল ওইনা লাউথোরকখি। কুমজা ২০১১ দা নোর্থ কোরিয়াগী লূচিংবা ওইরবা মতুংদা কিমনা মপান লৈবাক্তা চৎপা হন্দক্কা অহানবনি।

চাইনিজ প্রসিদেন্ট জি জিনপিংনা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পতা থারকখিবা পাউজেল অমদা কিম জোং উননা ন্যুক্লিয়র খূৎলায় থাদোকপগী ৱাফম অয়াবা পীরে হায়রি। অথুবা মতমদা নোর্থ কোরিয়াগী লূচিংবা কিম জোং উনগা উনদুনা কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা ইং-তপ্পা ফিভম হঞ্জিলহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না দোনাল্ড ট্রম্পনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা হ্বাইট হাউসনা হায়খি মদুদি নোর্থ কোরিয়াবু ন্যুক্লিয়র খূৎলায় থাদোকহনবগা লোয়ননা কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা ইং-তপ্পা হঞ্জিলহন্নবগী মতাংদা হৌজিকমক্কী ওইনা নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা মখা তানা অথিংবা থম্বগী তঙাইফদবা লৈ।

থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা দোনাল্ড ট্রম্পনা নোর্থ কোরিয়াগী লূচিংবা কিম জোং উনগা উনদুনা প্যোংয়াংগী ন্যুক্লিয়র খূৎলায় থাদোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না ফোঙদোরকপদা মালেমগী মীপূম খূদিংমক অঙকপা পোক্লখি। মে থাদা লূচিংবা অনী উনরবা য়াই হায়না থাজনরি। অদুম ওইনমক নোর্থ কোরিয়াগী ওফিসল মীদিয়ানা হৌজিক ফাওবা কিম জোং উননা ন্যুক্লিয়র খূৎলায় থাদোকপগী ৱাফম ফোঙলকপা লৈত্রি। নোর্থ কোরিয়াগা মতম কয়াগী মমাঙদগী নক্লবা মরী থম্নদুনা লাকখিবা চাইনানা হন্দক কিম জোং উনগী ন্যুক্লিয়র ৱেপন্স প্রোগ্রামবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লুবদগী লৈবাক অনী লাপথোক্লরকপগী ফিভমদা লাকখি।



লৈখিদ্রবা প্রসিদেন্ট কিম ইল সং অমসুং লৈখিদ্রবা জেনরেল সেক্রেটরি কিম জোং ইলনা পামজরম্বা মতুং ইন্না কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা ন্যুক্লিয়র খূৎলায় অমত্তা লৈহন্দনবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।

মমাঙদা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র খূৎলায় থাদোকহন্নবগী মতাংদা কয়ারক হন্না ৱারী শাননবা থৌরাং লৌখৎপদা মায় পাকপা ঙমখিদ্রবনি। হীরম অসিদা নৈনরিবা মীওইশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না হন্দক্কী মতাং অসিদসু নোর্থ কোরিয়ানা অরোইবা পুংফমদা ন্যুক্লিয়র খূৎলায় থাদোকপগী ৱাফম অয়াবা পীরক্তবা য়াই হায়রি।

চাইনাগী পাউচে গ্লোবেল টাইমসকী রিপোর্ট অমনা হায়খি, কিম জোং উন অমসুং জি জিনপিং উনদুনা ৱারী শানবা মতমদা কোরিয়ন পেনিন্সুলাদগী ন্যুক্লিয়র খূৎলায় পূম্নমক লৌথোকখিবগী ৱাফম নোর্থ কোরিয়ানা অয়াবা পীরক্কনি হায়বা থাজদে। নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়র খূৎলায় থাদোকপগী ইঙ্গিৎ পীরকপদা য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেসনা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

# মালালা য়ুসফজাইনা পাকিষ্টানি প্রাইম মিনিষ্টর অবাসিগা উনখ্রে

ইস্লামাবাদ, মার্চ ২৯ (এজেন্সি): টালিবাননা এটেক চথরকপদগী চহী ৬ মপানদা লৈরুরবা মতুং পাকিষ্টানদা হল্লকপদা ঙাইরিবা নোবেল পীছ প্রাইজ ফংখ্রবা মালালা য়ুসফজাইনা ঙসি পাকিষ্টানি প্রাইম মিনিষ্টর সহিদ খক্কান অবাসিগা উনখ্রে।

পাকিষ্টানদা ফোঙবা পাউচে দোনগী রিপোর্টনা হায়খি, মালালানা পাকিষ্টানদা পায়খৎকদবা এদ্যুকেসনেল প্রোজেক্টশিং মায় পাকহন্নবা হোৎনবদা অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা থাজবা পীখি। লৈবাক্কী মফম অমদা চৎপা মতমদসু মতিক চাবা সিক্যুরিটি পীগনি হায়না ফোঙদোকখি। নুপীশিং মহৈ-মশিন তমহন্নবা থৌরাং লৌখৎপগীদমক নোবেল পীছ প্রাইজ ফংখ্রবী মালালা য়ুসফজাই তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর অবাসি অমসুং অতৈ মিনিষ্টরশিং শরুক য়াখি।



মালালানা নুমিৎ মরিনিগী খোঙচৎতা পাকিষ্টানদা লাকখিবনি। সিক্যুরিটিগী ওইবা মরমদগী মহাক্কী খোঙচৎ অদু মীয়ামদা মাঙজৌননা খঙহনবা তৌখিদে। মমা-মপাগা লোয়ননা ইস্লামাবাদকী বেনাজির ভুটো ইন্টর্নেসনেল এয়রপোর্টতা থুংলখিবী মালালাবু সিক্যুরিটিনা চেকশিন্না ঙাক-শেনখিবগা লোয়ননা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা মনাক নক্না চঙহনখিদে। কুমজা ২০১২ গী ওক্টোবর ৯ দা স্বাট তম্পাক্তা খূৎলায় পায়বা মীওই অমনা মালালাবু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎনবা থৌরাং তৌরম্বা লৈখ্রে।

বর্মিংহেম সিটিদা লায়েংলিঙৈ মনুংদা মখা তানা মহৈ তমখিবগা লোয়ননা নুপী খূদিংমক লাইরিক তমহন্নবা থৌরাং লৌখৎপগীদমক কুমজা ২০১৪ দা মহাক্না নোবেল পীছ প্রাইজ ফংখিবনি। মালালা য়ুসফজাইবু মমাঙ চহীদা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী মেসেঞ্জর ওফ পীছ ওইহনবা লৈখ্রবনি। হোলিৱুদ এক্টর লিওনার্দো দিকাপ্রিও অমসুং চার্লিজ থেরোনগা লোয়ননা মহাকপু য়ুনাইটেদ নেসন্সকী মেসেঞ্জর ওফ পীছ ওইনা খনখি।

চহী খূদিংগী ওইনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী আর্ট, এন্টরটেনমেন্ট, স্পোর্টস, সাইন্স অমদি পব্লিক সর্ভিসকা মরী লৈননা থবক তৌবা মীওইশিং মেসেঞ্জর ওফ পীছ ওইনা খন্দুনা লাকখি। এক্টর মাইকেল দোগ্লাস, নেচরেলিষ্ট জেন গুদওল অমদি জোর্দানগী প্রিন্সেস হায়া বিন্ট অল হুসেনগা লোয়ননা য়ুসফজাইবু ১৩ শুবা মেসেঞ্জর ওফ পীছ ওইনা খনখিবনি। কুমজা ২০১৪ দা মহাকপু ইন্দিয়াগী চিলদ্রেন রাইটস এক্টিভিষ্ট কাইলাস সত্যারতিগা লোয়ননা নোবেল পীছ প্রাইজ পীদুনা ইকায়খুম্নখি।

নহা ওইরিবী লূচিংবী অসিবু মমাঙ চহীদা কেনাদাগী ওনরেরি সিটিজনসিপ পীবসু লৈখ্রে। কেনাদিয়ন প্রাইম মিনিষ্টর জষ্টিন ট্রুদো অমদি অতৈ মিনিষ্টরশিংনা নোবেল পীছ প্রাইজ ফংখ্রবী মালালা য়ুসফজাই তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ট্রুদোনা য়ুসফজাইবু কেনাদাগী ওনরেরি সিটিজন ওইরে হায়বগী সর্টিফিকেট খূৎশিন্নখি। কেনাদাগী ওনরেরি সিটিজনসিপ পীরকপগীদমক মালালা য়ুসফজাইনা কেনাদিয়ন পূম্নমকপু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, কেনাদানা নুপী মচাশিং মহে-মশিন তমহন্নবা হোৎনবা, মীওইবা খুন্নাইগী য়াইফনবা থৌরাং লৌখৎপা অমসুং রেফ্যুজীশিংগী য়াইফ থৌরাং কয়া লৌখৎলিবা পূম্নমক মালেমগী অতৈ অতোপ্পা লৈবাকশিংনা তমজনিংঙাইইনি।

টালিবাননা এটেক চথরকপদা হিংহৌরবী মালালা য়ুসফজাইনা পান্দম ফংনবগীদমক মখা তানা নুপী মচাশিং লাইরিক তমহন্নবা খোঙজং চঙশিল্লকপবু ট্রুদোনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

# মালেমগী লূচিংবা পূম্নমক লন্নাই ওইনা কোয়রকপদা চেক তৌগনি : য়ু এস ওফিসল

*ৱাশিংটন, মার্চ ২৯ (এজেন্সি): পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর সহিদ খক্কান অবাসিবু এয়রপোর্টতা চেক তৌখিবগী থৌওং অদু অচুম্বা খোঙথাংনি হায়না য়ু এস ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে। ইন্দিয়াদা লৈবা য়ু এস এম্বেসিগী ডেপ্যুটি স্পোক্সপর্সন অলেকজেন্দর মেকলারেননা হায়খি, মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগী লূচিংবা পূম্নমক্না ডিপ্লোমেটিক পাসপোর্ট য়াওদনা লন্নাই মীওই অমগুম কোয়রকপা মতমদা সিক্যুরিটি চেক তৌবা তঙাইফদে।*

*লৈবাক অমগী প্রাইম মিনিষ্টর নৎত্রগা প্রসিদেন্টনা ডিপ্লোমেটিক পাসপোর্ট য়াওদনা লাকপা তারবদি ইচম চম্বা মীচম অমা ওইনা লৌফম থোকই। মরম অদুনা এয়রপোর্টতা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা চেক তৌবদা থোয়দোক্লা অকায়বা লৈতে। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী এয়রপোর্টতা সিক্যুরিটি ওফিসলশিংনা পাকিষ্টানি প্রাইম মিনিষ্টর অবাসি চেক তৌখিবগী ভিদিও ফুটেজ অমা সোসল মীদিয়াদা থাগৎলকখ্রবা মতুংদা অলেকজেন্দর মেকলারেননা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। পাকিষ্টানদা বেজ তৌবা জিও ন্যুজগী রিপোর্টনা হায়খি সিক্যুরিটি প্রোটোকোল য়াওদনা পাকিষ্টানি প্রাইম মিনিষ্টরনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা মথন্তা চৎখিবা মরম্না মীচম অমা ওইনা লৌবদগী এয়রপোর্টতা চেক তৌখিবনি।*

*ওফিসলশিংনা হায়খি সহিদ খক্কান অবাসিবু এয়রপোর্টতা চেক তৌখিবগী থৌওং অদুদা ৱাশিংটন অমসুং ইস্লামাবাদকী মরীদা অকায়বা থোকহনবগী ৱাফম লৈরোই। লন্নাই খোঙচৎ অমদা অবাসিনা মচন নুপী উনবা চৎপদা ন্যু য়োর্ককী জোন এফ কেনেদি এয়রপোর্টতা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা চেক তৌখিবনি।*

*খোঙচৎ অদুদা মহাক্না মচন নুপী উনরবা মতুংদা য়ু এসকী ভাইস প্রসিদেন্ট মাইক পেন্সকসু উনদুনা ৱারী শানখি। ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসননা পাকিষ্টানি গভর্নমেন্টকী মরুওইবা মিনিষ্টর নৎত্রগা ওফিসল খরগী মথক্তা অথিংবা থম্নবা থৌরাং লৌখৎলকপগা মপা চান্নবা সহিদ খক্কান অবাসিদা চেক তৌবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।*

*অমরোমদা সিখ মচা অমা কেনাদাদা অঙৌবা ফুরুপকী মীওই অনীনা ফু-চৈথিবগা লোয়ননা মকোক্কী কোকয়েৎ শেগায়বগী থৌদোক অমা থোকখ্রে। সী বি সী ন্যুজগী রিপোর্টনা হায়খি, ৱেষ্ট গেট সোপ্পিং সেন্টর মনাক্তা সিখ মচা অমা অঙৌবা ফুরুপকী মীওই অনীনা তমথীনা ফুবীখি।*

*কাংলুপ নাইবা মওংদা চথখিবা থৌওং অদুবু কেনাদাগী ডেমোক্রেটিক অমদি কঞ্জর্ভেটিভ পার্টিনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। ৱর্ল্ড সিখ ওর্গনাইজেসন কেনাদানসু সিখ নুপা অমদা চথখিবা থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হায়খি, কোকয়েৎ লৌথোকপীবা হায়বসি সিখ ফুরুপকী ওইনদি খ্বাইদগী তমথীবা মওংদা ইকায়বা পীবনি।*

ꯊꯥꯒꯠꯄ/ফিষ্টুলাদা মখুল হুৎলগা নাই চারকপা, নাই অদু মতম খুদিংদা চোৎ চোৎ লাওরগা য়াম্না চিকপা নাবা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, খোঙ হাম্বদা অমাঙথোংদা থুপ্পা শাবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ য়াওরকপা ফহনবগী ওজা এম ভি অজাদ ফুসমবু মপোকসিগী কাউজররোই



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা ফিষ্টুলাদা মখুল হুৎলগা নাই চারকপা, নাই অদু মতম খুদিংদা চোৎ চোৎ লাওরগা য়াম্না চিকপা নাবা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, খোঙ হাম্বদা অমাঙথোংদা থুপ্পা শাবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ য়াওরকপা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা হৌগৎলকপদা কপ্পাক মরি নাবা, কোক ঙাওবা, ঙকশম মরি অমদি লেঙজুম নাবা, খ্বাঙ, য়াঙলেন নাবা, ফন্বী শোনবা, খোঙ খুৎ শিথবগুম ইপং পংশিনবা তৌরম্বা অদু **MV AZAD PHUSAM** ☎ 7628890261, 8014025567 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফদুনা হকচাং য়াম্না নুংঙাইরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু মপোকসিমগী কাউজররোই, মহাকপু হন্না হন্না থাগৎচরি।

*ওজাগী লায়েংফমশিংদি :*
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Sat, Sun, Monday only open)
3. Yairipok Tulihal Lai Manai Shanta Bazar

*থাগৎচরিবী :* **KH. THOICHA**
*Yaiskul*

*HL-P/786/30*

ꯊꯥꯒꯠꯄ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯆꯔꯤ

## থাগৎপা ফোঙদোকচরি অমদি পাবীয়ু কান্নগনি

পাইলসনা প্রোব্লেম ওইরগা চহী ১২ (তরানিথোই) অৱাবা খাঙদুনা লাক্লি। মণিপুরগী মাইবশিংগী হিদাক চাদুনা পৈশাতা তিংখি অনাবদি ফবা ঙমখিদে। মমৈথংদা ৱাঙ্গৈই ষ্টেট বেঙ্ক অৱাং (পাঙন লৈরক) দা লৈবা ওজা কবিরাজ **অব্দুল হক** Contact No. ☎ **9383214747** কী হিদাক চাবা অমদি তৈবা তৌজবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা অৱাবা খোঙ হাম্বদা কুইনা চঙবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ য়াওবা, শৌজদা চিকপা শাবা, গ্যেষ্ট্রিক, খ্বাঙ নাবা, শৌজ মনুং অমদি মপান্দা পোম্বা, শোকপদা নাবা, চানিংবা পোক্তবা খুদিংমক হৌজিক্তি য়াম্না নুংঙাইজরে। অৱাবা পুম্নমক কোক্লে। মসিদগী হেন্না নুংঙাইবা লৈজদ্রি। ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

*থাগৎচরিবা :* **TH. DHRAMEN**
**KHURAI LAISHRAM**

*HL-P/733/30*

**IN THE COURT OF ASSO/JBM**

***Ref:- Mut. Case No. 24/2018*** ***Dt. 21-2-2018***

1. Md. Abdul Sohid
2. Md. Abdul Boshir
3. Md. Azod Hussian
4. Mst. Hamida Begam
5. Mst. Emarei Begam
6. Mst. Rukiya Begam

S/o Late Md. Rohim uddin of Islamabad, Jiribam

-Vrs-

1. (L) Md. Meher uddin S/o Late Ajijur Rahman
2. Late Nur uddin S/o Late Rahim uddin of Islamabad.

**ꯈꯪꯖꯤꯟꯅꯕ/NOTICE**
01-03-2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খুন নং ১৯ ইসলামবাদ জিরিবাম পাট্টা নং ৫ অরিবা ৪১ অনৌবা অনীশুবা পাট্টা নং ২১ অরিবা ৪৩ অনৌবা, মখোয়গী ফংফম থোকপা এরিয়া অসিদা পাট্টাদার ওইবীরম্বা মীওইশিংগী মীং কল্লগা মচা-মশুশিংগী মীং পানবীনবা ASSO/ JBM ওফিসতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অদুনা মীং কল্লগা অমদি মীং পানবা অসিদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী চয়োল অমগী মনুংদা অইবা চেনা ওফিস অসিদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি কোর্টনা লৌররোই; আইনগী মতেংনা কেস দিসপোজ তৌখ্রগনি।

*Sd/-* **Assistant Survey & Settlement Offices**
**Jiribam, Manipur**

*HL-P/898/30*

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : BISHNUPUR**

***Ref:- Mut. Case No. 152/SDC/Bishnupur, 2018***

Ngangom (O) Memtombi Devi W/o (L) Ng. Ito Singh of Khoijuman Khullen.

*-Petitioner*

-Vrs-

Late Ngangom Tomba Singh S/o (L) Chaoba Singh of Khoijuman Khullen.

*-O.P.*

**ꯈꯪꯖꯤꯟꯅꯕ/NOTICE**
Bishnupur, the 29th March 2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Ngangom Tomba Singh S/o (L) Ng. Chaoba Singh of Khoijuman Khullen দা লৈবগী মীংদা পানবা খুল নং ৩৯-খোইজুমান খুলেন, পাট্টা নং 39/249 (অরিবা) 39/99 (অনৌবা) সি: এস: দাগ নম্বর 1055 গী 0.495 একর অসিগী মনুংদগী 0.2475 একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নরগী মীংদা নমা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা অপাতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই কেস মখা চৎথগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**
**Bishnupur**

*HL-P/895/30*

ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ/দশা য়েংজরি



অনৌবা চহীগী দশা, মহৈ-মশিং, অৱাংবা একজাম, সিভিল সর্ভিস, নীট থাগদবা, মীরমদা চৎপা, থবক-করবার, শেল লাক্লবা, য়ুম্বাল ফননবা, অঙাং য়াওননবা, হায়ন-তানবা য়াননবা, চিঙ্গাক ফননবা মতম লৈরিঙৈ য়েংথোকপীয়ু। চহী ৩৫ হেন্না মীয়ামগী সেবা তৌজরল্লবা, মপাল্লমগী মমীং লৈরবা ওঝা-গুরু কয়াগী পাউতাক ফংলবা, নেসনেল অমসুং ইন্টরনেসনেল থাক্তা মনা কয়াসু ফংজরবা, কুঠী অমদি খুবাক ময়ি য়াম্না সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা কুপথনা য়েংজরি।

*মীয়ামগীঃ- জ্যোতিষ মহাঋষি*
**Dr. Ph. Rajendra**
Nongmeibung, Near Community Hall
Academy Road, Imphal

*HL-P/574/17/2-22/4 (Alt)*

**CAS Foundation**
An Institute Collaborated with ENRICHMENT, New Delhi

**ADMISSION OPEN**
**FOUNDATION COURSE**
**CLASS XI & XII**
(Physics, Chemistry, Maths, Biology & English)
**CLASS X**
(English, Maths, Science, Social Science & Manipuri)

**SPECIAL FEATURES:**
1. Chapterwise/Unitwise authentic study materials
2. Exam. oreinted test series for final exam
3. Most probable suggestive questions and answers for 2019 exam.
4. Special Fee concession for CASIANS
5. Vision for toppers for 2019 final exam.

**Facility of:- # Morning Batch # Evening Batch**
**Seats are limited Fiirst come First Serve**
(VAN service & hostel for BOYS & GIRLS available)
**For Details Contact: CAS office, Keishampat Junction Imphal**

HL-B/4524/21-25...

**TUTORLINE STUDY CENTRE**
ꯇꯨꯇꯣꯔꯂꯥꯏꯟ ꯁ꯭ꯇꯗꯤ ꯁꯦꯟꯇꯔ
Estd. 2009
KEISHAMPAT, SEGA ROAD near NAHAROLGI THOUDANG

**ADMISSION OPEN FOR FOUNDATION COURSES**



Congratulations :- Our student Thiyam Nandalal (Zone 17) got 1st Position in Eastern India Science Fair-2018, Kolkatta.

Foundation Courses for Class IX & X will be started from 10th May, 2018

**Class XI & XII (COHSEM)**

**Subjects :**
Maths, Physics, Chemistry, Biology & English.

Van & Hostel facilities are available.

Seats are limited, hurry

Class Commencing :
**From 5th April, 2018**
**Timing: 4:15 to 7:35 p.m.**

Office Hour : 2:00 pm to 5:00 pm

Plz. Contact : 9774233498 / 9856574172

HL-P/557/15/2-18/3(Alt.)